# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মণিপুরদা লুপা কোতি লিশিং ৮,৫০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গানি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

২) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- মণিপুরবু হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎহনদুনা অওনবা পুরকবা মহাক্কী সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি।

অমসুং

৩) নেপালগী হান্নগী চীফ জষ্টিস শুশিলা করকি লৈবাক অসিগী মরক্কী সরকারগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

**------**

মোদি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজ্য অসিদা লুপা কোতি লিশিং ৮,৫০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গানি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক্কী পুং ১১ মখায়রোম তাবদা চুরাচান্দপুরদা থুংদুনা মফম অদুদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। চুরাচান্দপুরগী তুইবোংদা লৈবা পিছ গ্রাউন্দদা লুপা কোতি লিশিং ৭, ৩০০ লোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ১৪ গী উরেপ উয়ুং তমগনি। মদুগী তুংদা মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংগনি।

চুরাচান্দপুর খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা নুংথিলগী পুং ২ রোম তারকপা মতমদা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা থুংদুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। মফম অদুদা মণিপুর অমসুং মণিপুরগী মপানদা পায়খৎপা লুপা কোতি লিশিং ১,২০০ রোমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি।

থৌরমশিং অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি।

খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফালগী থৌরমশিংদা মহাকা শরুক য়াগনি। মণিপুরবু হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎহনদুনা অওনবা পুরকবা মহাক্কী সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি। শ্রী মোদিনা হায়- খোঙচৎ অসিদা মণিপুরগী লম্বী থোং, নেসনেল হাইৱে, নুপীশিংগী হোষ্টেলশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ উয়ুং তমগনি। শঙ্গাগদবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা মন্ত্রিপুখ্রিগী সিভিল সেক্রেতরিয়েট, আই.টি.এস.ই.জেদ বিল্ডিং অমসুং মন্ত্রিপুখ্রিগী নিউ পুলিস হেদক্বাটর অমসুং তোঙান তোঙানা জিলাশিংদা লৈরিবা ইমা কৈথেলনচিংবা য়াওরি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী রাজ্য ৫ গী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। শ্রী মোদিনা ঙসি মিজোরম অমসুং মণিপুরদা চৎলবা মতুং অসামদা থুংদুনা গুৱাহাতিদা ডাঃ ভুপেন হজারিকাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়াগনি। রাজ্য অদুগী পুন্না লুপা কোতি লিশিং ১৮ লোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থোরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গলদসু চত্তুনা কোলকাতাদা ১৬ শুবা কম্বাইন্দ কম্মান্দরস কনফরেন্স হৌদোক্কনি। শ্রী মোদিনা বিহারদসু চত্তুনা পুরনিয়া এয়ারপোর্টকী নৌনা শাবা টরমিনেল বিল্ডিং শঙ্গাগনি। মফম অদুদা শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ৩৬ লোমগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি অমসুং খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ঙাক শেনবগী থবক খম থেংনা কল্লে।

রাজ্যগী দি.জি.পি রাজিভ সিংহনা লুচিংদুনা ইম্ফালগী মফম কয়াদা কোইনা চত্তুনা প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎকী মাংওইননা লৌখৎলিবা ঙাকশেলগী থবকশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

রাজ্য পুলিস অমসুং তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রগী ফোর্সশিংগী অপুনবা কাংবুশিংনা ইম্ফাল অমসুং চুরাচান্দপুরগী মফম কয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। চিংনবা মফম কয়াদা বোম স্কৱাদশিং য়াওনা থিবা হুম্বগী থবক চখুরি। ইম্ফালগী কংলাগী অকোইবা অমসুং চুরাচান্দপুরগী তুইবোং পিছ গ্রাউন্দগী অকোইবদা নিংথিনা লৈতেংদুনা প্রধান মন্ত্রিবু তরামা ওকবা থৌরাং তৌরে।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ঙসি গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোক্কদবা থৌরম য়াওগদবা ভি.ভি.আই.পিশিংনা কংলাগী খা থংবা গেটলোমদগী চংল্লক্কনি। খোঙনা লাকপশিংনা নোংচুপ থংবা গেটতগী চংল্লক্কনি অদুগা পাস য়াওবা গাড়িশিংনা অৱাং থংবা গেটতগী চংবা য়াগনি।

জিএসটি (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারনা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌননবা অয়াবা পীখ্রবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মব্ মাইকৈ কয়াদগী তরামা ওকপা অমদি থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

নেপাল ঃ নেপালগী হান্নগী চীফ জষ্টিস শুশিলা করকি লৈবাক অসিগী মরক্কী সরকারগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মহাকা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী প্রধান মন্ত্রি ওইরে। মহাকপু কাঠমন্দুদা লৈবা প্রসিদেন্সিয়েল পেলেসতা

রাষ্ট্রপতি রামচন্দ্র পাউদেলনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা উপ-রাষ্ট্রপতি রাম বরন যাদব য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। নিংশিংবা য়াই, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা নেপালদা চরাংনবা ফিভম থোকপদগী অহোংবা অসি লাকপনি।

শুশিলা করকিবু নেপালগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা খনদুনা অনৌবা মরক্কী সরকার অমা শেল্লকপা অসিদা ভারতনা তরামা ওকখ্রে। কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়- লৈবাক অদুদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিল্লক্কনি হায়না ভারত চপ চানা থাজৈ। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক অমদি মতম শাংনদগী হৌনা চাওখৎ লন্বীদা মপাং অমা ওইরিবা নেপালদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ভারতনা তেংবাংবগা লোয়ননা পুন্না চৎমিন্নখিগনি।

গ্যান ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- গ্যান ভারতম মিসন অসি ভারতকী নাৎ চৎনবী অমসুং সাহিত্যবু য়োকখৎতুনা থম্বা ঙমহল্লগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা গ্যান ভারতমগী মতাংদা পাঙথোকপা মালেমগী মীফমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত্তা মালেমগী ওইনা য়েংবদা খ্বাইধগী মশিং য়ামা মেন্যু স্ক্রিপ কোতি অমরোম লৈ। গ্যান ভারতম মিসন অসিনা অনৌ অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপগা লোয়ননা রিছার্সকী লমদসু চাউনা মতেং পাংলগনি।

মন্দাভিয়া ঃ য়ুথ এফ্যারস অমসং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- লৈবাক অসিগী লন্বী শোরোক পুমমক শান্নবুং ওইহনগদবনি । নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা স্পোর্টস সম্মিৎ অমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- শান্ন-খোৎনবা হায়বসি মীয়ামগী ইহৌ অমা ওইহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- সনডে ওন সাইকলসকুম্বা থৌরাং অসিনা য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা শান্ন-খোৎনবগী কলচর

অমা শেমগৎপা ঙমগনি। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা লৈবাক মঙাগী মনুংদা চন্নবা পান্দম থল্লি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা উত্তরাখন্দ, তেলঙ্গনা অমসুং মরাঠাৱারাগী মফম কয়াদা কনবদগী য়ামা কনবা চাংদা ঙসি নোং চুগনি। অন্ধ্র প্রদেশ, ছত্তিসগর, করনাটক, নোংপোক থংবা মধ্য প্রদেশ, হরিয়ানা, দিল্লি য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদসু ঙসি অকনবা নোং চ্গনি হায়রি। সিক্কিম, বিহার অমদি উরিষা য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম খরদসু অখাক অরাউ অমদি নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ অমসুং খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা মাইকৈ কয়াদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোকরকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মে ৩, ২০২৩ গী তুংদা প্রধান মন্ত্রিগী অহানবা মণিপুর খোঙচৎ ওফিসিয়েল্লি কনফার্ম ওইরে, চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা তরামা ওকবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদনা প্রাইম মিনিষ্টরনা চুরাচান্দপুরদা অয়ুক পুং ১১ মখায়দা অমসুং ইম্ফাল নুংথিল পুং ২ দা থুংলগনি, আই.দি.পিশিং উন্নগনি, প্রোজেক্ট ১৭ শঙ্গারগা ১৪ না উরেপ উযুং তমগনি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোকখ্রে, পি.এমনা ক্রোর লিশিং ৭,৩৪৪ গী প্রোজেক্ট উরেপ তম্বা

অমদি ক্রোর লিশিং ১,২০৩ গী প্রোজেক্ট শঙ্গারমগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদবা য়াওনা মরুওইবা ইসু মঙা ঙসিসু লমদম অসিদা মায়োকরিবা হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এস.ওশিংনা এম.ঐচ.এদা থমখিবা ৱাফম অদুগী ৱারোইশিন পুরকবা লাকফম থোকই হায়না খুরাইজম অথৌবনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলি।

ফোক্সনা পি.এমগী খোঙচৎ তরামা ওকপগা লোয়ননা শান্তি লৈহন্নবা থবক লৌখৎনবা তকশিল্লি হায়বা পাউ পোকফমগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিল্লগনি, থাদৌ ইনপা মণিপুরনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা তকশিল্লি হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা করম থোক্লগবা মোদিগী খোঙচৎ য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লে, খোঙজং চংশিন্নরে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি ঙসি মণিপুরদা লাক্লগনি হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এন.সিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট চৎনহনবা অমসুং এফ.এম.আর অমদি বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা ৱারী শান্নবা তকশিল্লগনি হায়বা পাউনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা পাউ ওইরি।

এফ.এন.সি.সিনা নাগা তাবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্ট কেম্প থম্বগী মায়োক্তা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা গানফিউ মেলগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ত্রাক্স দ্রাইভর এসোসিয়েসন তমেংলোংনা নেসনেল হাইৱে ৩৭ তা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং সি.আর.পি.এফশিংনা অপনবা পীবগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা পাউ অমা তমেংলোং টাইমস অমসুং চমগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

------